# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 20-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) চান্দেল জিলাগী মোলচাম ভিলেজ এরিয়াদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা এ.কে. রাইফল য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

২) মহারাষ্ট্রগী গাচিরোলি জিলাদা মাওইষ্টকী মরুওইবা মীওই ১১ সেক্যুরিতি ফোর্সতা খুৎলায় থাদোক্তুনা চংজখ্রে।

অমসুং

৩) গল্ফ লমদমদা থোক্লিবা লান অসিদা ইনর্জি ইন্সটোলেসনশিংদা এটেক চখনরকপদা ভারতনা নুংনাংবা ফোংদোকখ্রে।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুন্নবগী থবক লেপ্তুনা চখুরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- হৌখিবা পুং ২৪ দসু রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভম পুন্না য়েংবদা শান্তি ওইখি। চান্দেল জিলাগী মোলচাম ভিলেজ এরিয়াদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্নবগী থবক চখুবদা মেগজিন অনিগা কোন্নবা এ.কে. ফোরতিসভেন রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. সি.এম.জি অমা, গ্রেনেদ দিতোনেতর অনি, তোঙান তোঙানবা খুৎলায়শিংগী মেগজিন অনি, গ্রেনেদ অনি, নোংমৈ মরু ১৯৪ অমসুং বাউফেং বি.ঐচ.এফ রেদিও সেট মঙা ফাগৎলে।

অমরোমদা, অককবা পাউশিং ফংবদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খুম্বোংময়াই লৈকাইদগী য়ু.পি.পি.কেগী মীওই অমসু ঙরাং মন্ত্রিপুখ্রি এরিয়াদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মণিপুর পুলিসনা চত্থরিবা পাব্লিক আউটরিটচ প্রোগ্রামগী মনুং চন্না ঙরাং তেংনৌপল জিলাগী মোরে এরিয়াদা লৈবা স্কুলশিংদা মহৈরোশিংদা মহৈ মশিং তম্বদা চংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

রিমস (এল)ঃ মেদিকেল সোসাইতি রিমস ইম্ফালনা শিন্দ্না ১৬ শুবা মিসোকোন ২০২৬ ঙসি রিমস হোস্পিতালগী জ্বিলি হোলদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা রিমসকী দিরেক্তর প্রোফেসার জি. শুনিলকুমার শর্ম্মা, মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসার নেপ্রম শঞ্জিব সিংহ্ শরুক য়াগনি।

ৱেদর (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- ঙসি মণিপুরগী মফম খরদা পারপ্পদগী ময়াই ওইরপ্পা চাং য়ৌনা নোং চুরবা য়াই। মফম খরদদি অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

মাওইষ্ট ঃ মহারাষ্ট্রগী গাচিরোলি জিলাদা মাওইষ্টকী মরুওইবা মীওই ১১ পুলিস অমদি সি.আর.পি.এফতা খুৎলায় থাদোক্তুনা চংজখ্রে। চংজরকখ্রবা মাওইষ্টশিং অদুগী মনুংদা মাওইষ্টকী দিভিজনেল কমিতি মেম্বরশিং ওইবা, এরিয়া কমিতিগী সেক্রেতরিশিং, কম্মান্দরশিং অমসুং এরিয়া কমিতিগী মেম্বরশিং ওইবা য়াওরি। চংজরক্লিবা মাওইষ্টশিং অদু পুন্না লুপা লাখ ৬৮ গী মনা পুরিবা মীওইশিংনি হায়রি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা কটারগী অমির শৈখ তামিম বিন হমাট অল থানিগা টেলিফোনদা ৱারী শান্নদুনা কটারগী মীয়াম অমসুং মহাক্কীদমক ইদকী য়াইফ পাউজেল পীখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারতনা কটারগীদমক লেংদনা লেপলি হায়না ফোংদোকপগা লোয়ননা লৈবাক

অদুগী ইনর্জি ইনফ্রাষ্টকচরশিংদা এষ্টেক চথরকখিবগী থৌওংশিংবু ভারতনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। লৈবাক অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিংদা পীবা য়াবা মতেংশিং পীবীনবসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। লমদম অদোমদা অথুবা মতমদা শান্তি হঞ্জিল্লকপা ওইরসনু হায়নসু শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি।

ট্রষ্টি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিরা গান্ধি নেসনেল সেন্তর ফোর আর্টসকী ট্রষ্টি মেম্বরশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং উন্নখিবা অদুদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা কলা সংস্কৃতিশিং য়োকখৎপগী থবক হেন্না পায়খৎনবা ৱাফম কয়া খন্নখি। গ্রাস রুটকী থাক্তগী হৌদুনা কলা সংস্কৃতিগা মরী লৈনবশিং নিংথিনা তাকপী তন্বীনা অমসুং দিজিতেল প্লেটফোর্ম শিজিন্নদুনা মসিগী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা, আর্টিষ্টশিংবু শৌগৎনবা অমসুং মখোয়দা স্কোলারসিপ পীবনচিংবা হেনগৎহন্নবসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

গল্ফ ঃ গল্ফ লমদমদা থোক্লিবা লান অসিদা ইনর্জি ইন্সটোলেসনশিংদা এটেক চথনরকপদা ভারতনা নুংনাংবা ফোংদোকখ্রে।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী মচিন চৎপা মীশক রন্ধির জৈসৱালনা নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা হায়- থৌওং অসি য়ামা লুমা লৌফম থোকই। ইনর্জি হন্সটোলেসনশিংদা এটেক তৌবগী থৌওং অসি য়াফম থোক্তে অমসুং মসি লেপকদবনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিদা চাক থোংনবা গ্যাস এল.পি.জি মীয়ামদা নিংথিনা ফংহন্নবা সরকারনা তঙাইফদবা থৌদাং অমা ওইনা মখা তানা কন্না হোৎনরি।

লান ঃ নোংচুপ এসিয়াদা লান থোক্তুনা উংখৎনবগী ফিভম মখা তানা অদুমক লৈরি। নোংথক্তগী লান্দাবা অমসুং মরুওইবা ইনর্জি ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংদা লান্দাবগী থবক লেপ্তুনা চথনরি।

ইজরেলনা লেবাননগী বাস্তা অমসুং জ্কাক অল বলাট এরিয়া য়াওনা বৈরুতকী মফম কয়াদা লান্দাবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ লৈখিদ্রে। য়ুনাইতেদ নেসন্সনা খুদক্তা নোংমৈ কাপ্পা লেপনবা হায়রবসু ইজরেলনা লিতানি রিভর তমা মখা তানা অকনবা লান্দা চথ্থরি।

মরক অসিদা, আরবকী ইস্লামিক কন্ট্রি ১২ না পুন্না থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা, ইরান্না মীচম মীয়াম লৈবা মফমদা লান্দারকপগী থৌওংবু য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। য়ুনাইতেদ নেসন্স চার্টরগী অর্তিকল ৫১ দা য়াওরিবা মশা ঙাকথোকচনবগী ব্রাফমশিং অদু অপুনবা চেরোল অসিনা নীংশিংল্লক্লি। লমদম অদোমদা উংখৎনবগী ফিভম হেনগৎলক্লিবা অমসুং সমুদ্রগী লমদা কিহনবগী থবক চথ্থরক্লিবা থৌওংশিং অদু তোক্তুনা লৈমিন্নরিবা লৈবাকশিংগী নীংতম্ববু ইকায় খুমনবা চেরোল অদুনা খণ্ডহল্লি। অমরোমদা, গল্ফ লমদমদা ইনর্জি ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংদা এটেক চথ্থরকপা য়াই হায়না কিহল্লক্লিবশিং অদুগী য়েংলগা এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমশিং মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনরি।

আমেরিকা ঃ আমেরিকাগী দিফেন্স সেক্রেতরি পিতে হেগসেথনা হায়রি- ইরানদা মখা তানা অকনবা মওংদা লান্দাখিগনি। ৱাংশিংটনদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী হেগসেথনা হায়- আমেরিকানা ইরানগী মথক্তা লান্দাখিবা নুমিৎ অদুদগী হৌজিক ফাওবদা ইরানদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসি অহোংবা অমত্তা লৈতে। হৌজিক থোক্লিবা লান অসিনা য়ামা শাংবা লান অমা ওইরকপা য়াই হায়নরিবা অদুবু শ্রী হেগসেথনা য়াখিদে।

মহাকা হায়- ইরানগী মিসাইল কাপফমশিং, ঙাকশেলগী খুৎশু খুৎলায় শাফমশিং অমসুং নেভিগী এরিয়াশিংদা অমাং অতা থোকহনবনা ইরান্না ন্যুক্লিয়ারগী খুৎশু খুৎলায়শিং শেমগৎপা ঙমলোই। হৌজিক ফাওবদা আমেরিকানা পান্দম অসি ফংনবা ইরানগী মফম লিশিং ৭ হেনবদা লান্দাখ্রে। ইরানগী এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমসু শিংথানিঙাই ওইনা অমাং অতা থোকহল্লে। ইরান্না হৌজিক তৌরিবা অসি বেল্লিষ্টিক মিসাইল কাপ্পা অমসুং দ্রোন এটেক চথ্থবা খক্তা ঙাইরে।

সহি ঃ হেদক্বাটরস ইন্তিগ্রেতেদ দিফেন্স ষ্টাফ অমসুং ইসরোগী স্পেস এপ্লিকেসন্স সেন্তরগী মরক্তা ঙরাং য়ান্নচে অমা সহি তৌনখ্রে। য়ান্নচে অদুদা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা সেতেলাইটতা য়ুম্ফম ওইবা টেলিকম্ম্যুনিকেসন নোদশিং মেন্টেনেন্স তৌবা অমসুং আর্মদ ফোর্সেসকী অহেনবা নোদশিং ফংহনবনচিংবা য়াওরি। য়ান্নচে অদু ইন্তিগ্রেতেদ দিফেন্স ষ্টাফ, এয়ার মার্সেল শঙ্কর সুব্রমনিয়ন অমসুং স্পেস এপ্লিকেসন সেন্তরগী দাইরেক্তর নিলেস এম. দেসাইগী মরক্তা সহি তৌনখি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা উত্তর প্রদেশকী বৃন্দাবনদা লৈবা প্রেম মন্দির অমদি ইস্কোন টেম্পলদা চত্তুনা লাই খুরুমখ্রে। রাষ্ট্রপতিগী খোঙচৎ অদুদা উত্তর প্রদেশকী রাজ্যপাল আনন্দিবেন পাতেলসু লোয়নখি। রাষ্ট্রপতিগী উত্তর প্রদেশকী নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎ ঙরাংদগী হৌখিবনি। শ্রীমতি মুরমুনা আযোধ্যাদা লৈবা শ্রীরাম জন্মাভুমি মন্দিরদসু চত্তুনা লাই খুরুমখি। মফম অদুদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংলদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- লৈবাক অসি চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী মাইকৈদা খোঙজেল য়াংনা চংশিল্লক্লি। ভগবনা রামগী থৌজালগা লোয়ননা পান্দম অসি ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ফংবা ঙমগনি হায়নসু শ্রীমতি মুরমুনা থাজবা ফোংদোকখি।

ভিপি ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়রি- অঙাংশিংবু পিক্লিঙৈদা নিংথিনা মহৈ মশিং তমহনবা হায়বসি য়ামা তঙাইফদবা থৌদাং অমনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং স্কুল অমগী গোল্ডন জ়বিলি থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী রাধাকৃষ্ণননা হায়- পিক্লিঙৈদা মখোয়বু নিংথিনা মহৈ মশিং তমহনবনা দাইত্ব খঙবা খুনাই অসিগী অচংবা য়ুম্বী অমমম ওইরক্কদৌরিবনি। অফবা মীওইশিংনা মশিং য়াম্বা খুনাই অদু অফবা খুনাই অমা শোইদনা ওইরক্কনি হায়না ফোংদোক্লদুনা মহাকা মখা তানা হায়- অদুগুম্বা খুনাই অদুনা অচৌবা মতিক চারবা জাতি অমা লিংবা ঙমগদৌরিবনি।

মীখল ঃ নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভা মীখলগীদমক বি.জে.পিনা অনিসুবা লিষ্ট ওইনা মীরেপ ১১১ গী মীং ঙরাং লাউথোকখ্রে। হান্নগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি নিসিত প্রামানিকনা মথাভঙ্গা বিধান সভা কেন্দ্রদগী মীরেপ ওইরগনি। হান্নগী রাজ্য সভা এম.পি. রুপা গঙ্গুলিনা সোনারপুর দক্সিনদগী মীরেপ ওইরগনি। হান্নগী হোক্কি শান্নরোই ভারত সেত্রিনা কালিমপোং বিধান সভা কেন্দ্রদগী মীরেপ ওইরগনি। ২৯৪ লৈবা নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভাগী মীখল তাঙ্কক অনি থোকা মথং থাগী ২৩ অমসুং ২৯ দা পাঙথোক্কনি।

অসাম, কেরলা, পুদুচেরি, তামলিনাদু অমসুং নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভা মীখলগা লোয়ননা রাজ্য ৬ কী মরক্কী মীখলগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন্না চহি ৮৫ গী মথক্তা লৈবা মীওইশিং অমদি হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা মীওইশিংগীদমক পোষ্টেল বেল্লোটকী খুত্থাংদা ভোৎ থাদবগী খুদোংচাবা পীরি। কম্মিসন্না হায়-ভোৎ থাদবা য়ারবশিংনা ইলেক্সনকী নোতিফিকেসন থোকখিবা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা বুথ লেবেল ওফিসারশিংগী খুত্থাংদা ফোর্ম তুয়েল্ব-দিদা এপ্লাই তৌবা য়াগনি। পোল্লিং টিমশিংনা য়ুমথোঙ য়ুমথোঙ চংদুনা পোষ্টেল ভোৎশিং অদু খোমগৎকনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শজিবু নোংম পানবা চৈরাউবা লৈখিবদগী প্রেস ছুতি ওইখিবনা ঙসি ইম্ফালদা ফোংবা পাউচে অমত্তা ফোংনদ্রে। অদুমওইনমক চীংগী জিলাশিংদা ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং খরা য়েংলবদা, গানফিউ মেলদা ভিক্সিত ভারত এদ ২০৪৭ কা মরী লৈননা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন, ফিল্ড ওফিস তমেংলোং অমসুং সি.বি.সি, আর.ও ইম্ফানা পুন্না শিন্দুনা স্পেসিয়েল আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা তমেংলোংদা পাঙথোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

উখ্রুল জিলাদা কুকি খুৎলায় পায়বশিং অমসুং লোকেল ভিলেজ ভোলুন্তিয়ারগী মরক্তা নৌনা খুৎ থোকখিবগী পাউ পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তমেংলোং টাইমসতসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

১০৯ শুবা বত্তাল্লিয়ন সি.আর.পি.এফনা শিন্দুনা নহাশিংদা হেন্না শক্তি লৈহন্নবগী পান্দম ফি তুবা-লোনবগী অখন্নবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------